থম্মোয় পাউদম হুইয়েন ইন্দু

# থবক্কী তেন্সন লৌথোকপা



ঙরাং থবক্কী ৱারী লীরুঙৈদগী ৱারীসি মখা শমথনীংলকই। থবক হায়বসিবু হায়নরুবা নাইদনা খুৎনা হেক্তা তৌরকপরা ? খুত্তুদা মদু তৌনবা ঈনশিল্লিবা শক্তি অমা লৈ। মদুবু ঐখোয়না ৱাখল কৌই। থবক খুদিংমক্কী হৌরকফম ওইবা ৱাখল অমমম লৈ। ৱাখল অমনা ঈনশিন্দনা মীওইবনা করিগুম্বা থবক অমত্তা তৌদে হায়। অদুবু, অদোম্না নোংমতসু খল্লম্লোইদবা ৱাখল অমা ঙসি অমুক্তা খন্থবীয়ু - নোংমগী মনুংদা অদোম্না তৌরিবা থবক ময়ামদুবু 'হান্নদগী তৌগে খন্না শেম-শাদুনা লৈবা' থবক কয়াম য়াওবগে? য়ুমগী য়ুম্বুরেম্বী অমনা নোং ফুং ঙানবদগী, নুমিদাং ফমুং চঙলমদাই ফাওবদা তৌরিবা ইমুংগী কুপনোম থবক ময়ামদু, নোংমগী শোয়ফদ্রবা রুতিন ওইনা তৌখিবনা মহাক্কী ব্রেন'দা থবক্তুগী ৱাখলনা অখন্নবা প্রেসর অমা কৈদৌঙৈদা পীরক্তে। হায়রিবা থবকশিং অদু কনাগুম্বা অমবু খুৎশুমল পীদুনা নেল্লগা তৌহনসি। নিনি শুনা তৌঙল্লোই। মরমদি, থবকশিং অদু মঙোন্দদি অহেনবা থবক্লি।

য়েস, ইমুংগী কুপনোম নোম্লিবী য়ুম্বুরেম্বী মহাকসু, ওফিস অমগী, নৎত্রগা, ওর্গনাইজেসন অমগী 'মহাক্লা পর্সনেল রেস্পোন্সিবিলিটি' লৌবা থবক অমা তৌরম্বা ওইয়ু - থবক অদু মহাক্কী এনজাইতি পোক্ল বগী মরম অমা ওইরক্কনি। এনজাইতিদুনা মরম ওইদুনা, নহানমখে মহাক্লা ইরায় লায়না/ঈকোম কোম্না তৌরম্বা থবকশিং অদুসু মচু তারক্লোই (ইফিসিয়েন্ত ওইরক্লোই), ঈশৌ লাংবা হেল্লক্কনি, ইমুংগী মী অতৈগা লৈনরম্বা মরী শোক্লক্কনি, পুন্না হিংমিন্নবা (কো-একজিস্টেন্স)গী ফজবা মাঙখিনি।

য়ুম্বুরেম্বী (ঈমা-ঈচে-ঈচল) অমগী মওং অসি ইশাদা পানশিন্দুনা য়েংবীয়ু। থবক্কী মওং (নেচর) অদু খেন্নবতনি, পুক্লিংদা পীবা প্রেসর/তেন্সন/এনজাইতিদু হৌরকপগী মওংদুদি অমত্তনি। থবক অদুগী ৱাখল'না পুক্লিং অদু খুদুম চন্দুনা লৈবা । ইতালিয়ন কবি হোরাসকী ৱাহৈ নীংশিংবীয়ু... 'অদোমগী পুক্লিং অদু খুদুম চন্দুনা থম্বীয়ু, নৎত্রবদি ওনখত্তুনা মহাক্লা নঙবু খুদুম চনখিনি ...'।

থবক অমগী ৱাখলনা পুক্লিংবু খুদুম চন্দুনা লৈদৌরিবা করিগীনো ? লিদরসিপ গুরু দেবিত এল্লেননা হায়, মখাগী মরমশিংসি ওইবা য়াই :

- থবক অদু করিগীদমক তৌদৌরিবনো হায়বা লাইখায় তাদবা;
- থবক অদু হৌনবা, নৎত্রগা হৌরুরবা থবক অদুগী, মথংগী খোঙথাং করিনো হায়বদু খনফম খঙদবা, নৎত্রগা তৌরুরিবা থবক অদু চুম্মী/লাল্লি খঙদবা;
- হৌখ্রবা থবক অদুগী ওইফম থোকপা রিজল্ট অদু মশক খঙদবা অমদি নশানা নশাদা থাজবা ৱাৎলকপা।

মরমশিং অসিননি, থবক্তুগী ৱাখলনা পুক্লিংদা নিন্দুনা লৈরিবা। ৱাখলশিং অসি লৌফম থোকপা ৱারেপ অমা লৌদুনা, তান্থোক্লবা প্রোসেস অমা তৌদ্রিমখৈদি থবক্তুগী মহয় অদু লোকপা ঙল্লোই। পুক্লিং হায়বসিনা কৈদৌনুংদা নহাকপুদি মীনল্লোই। থবক অদু লোইদুনা মহয় লোক্ত্রিমখৈদি, পুক্লিংসিনা ব্রেনবু তত্তনা কাইহৌগনি।

পুক্লিং হায়বসিসু অঙকপনি - মহাকপু নীংথিনা লোয়নবা হৈহৌদ্রবা, লুরবা তানফম অমদা মহাক্লা নীংশিংবীরক্কদৌরিবা ৱাফমদো থৈদোক-থৈজিন করিমত্তা য়াদ্রবা পুংফম অমদনি। পুক্লিং হায়বসিগী তোঙানবা পুক্লিং অমা লৈতে। হৌখ্রবনা করিনো? লাক্কদবনা করম্বনো? খঙদে পুক্লিংনা। নহাক নশানা নশাদা হায়জরিবা ৱাফমদুতনি পুক্লিংনা নঙোন্দা হায়রক্কদবা।

লাই য়েকপা, ঈশৈ শকপা, শৈরেং ইবা, দ্রমা ইবা ... অচৌবা কোর্পোরেট হাউস অমগী অনৌবা প্রদক অমা পুথোক্লবা হোৎনবা ... মাগী মাগী লমদুদা অচৌবা থবক অমমমনি। থবক অদু করম্না তৌগদগে হায়বদুদি 'আর্ট' অমনি হায়বদুদি কনানসু খন্নদে। লুরিবদি মদুনি। দ আর্ট ওফ দুইং থিংস ... ওইনীংবা থবক ওইসসু, থবক অদু মপুং ফানা পাঙথোক্লবা কলা ! থবক অমা পাঙথোক্লবগীদমক তঙায়ফদবা তাঙ্কক মঙা থোক্লা খায়দোক্লগা তৌগদবনি -

(১) থবক্তু তৌবদা দরকার ওইবা পোৎলমশিং খোমজিনবা;

(২) খোমজিল্লুবা পোৎলমশিং, শীজিন্ননিংবা মওংদা শেমদোক শাদোকপা;

(৩) শেমদোক শাদোক্লবা পোৎলমশিং মফম চানা শীজিন্নবা;

(৪) পাঙথোকখিবা থবকশিং, মকোক্তুগী অমুক নৌনা য়েংশিনবা;

(৫) থেংখাং মরী অসিদা থেংনখিবা অশোয়বা, অরানবা পুন্নমক্তু হন্না য়েংশিল্লবা মতুংদা পোথোক অদুগী অরোইবা মশক লেপথোকপা।

তপ্না তপ্না সিষ্টেমেটিক ওইনা তৌবা হৈখ্রবা মীশক অমনদি থবক খুদিংমক তেন্সন/এনজাইতি য়াওদনা ঈরায় লায়না তৌবা ঙম্মী। লিদরসিপ গুরুশিংনা হায়বা পাউদুনি তমজরিবা ! চুম্না য়েংশি অমুক্তং।

লৌশিং পুক্কে

# মোদর্ন মেদিসিন অমদি মসিগী খোঙচৎ-২




**ফ্লোরেন্স নাইটিঙ্গল**

ফ্লোরেন্স নাইটিঙ্গল (১৮২০-১৯১০) অসি ব্রিটিস নর্স অমনি। মহাক নর্স ওইবখক্তং নত্তনা ষ্টেটিষ্টিসিয়ান অমসুং অইবী অমসু ওইখি। মহাক্লা ক্রিমিয়ান ৱারগী মতমদা অশোক-অপন নংলবা লান্মীশিংবু শেবা তৌরিঙৈ মতমদগী নর্সিংগী থবক হৌদোক্তুনা নর্সকী লময়ানবী ওইখি।

নাইটিঙ্গল নুংঙাই য়াইফবা ইমুংদগীনি। অহানবদদি মহাক্লা নর্স তমগে হায়বদা ইমুং-মনুংনা য়াখিদে। অদুমওইনমক মতম খরা লৈরগা মমা-মপানা য়ারকপদগী থা অহুমগী নর্সিং কোর্স অমা জর্মনিদা কুমজা ১৮৫১ দা তমখি। কুমজা ১৮৫৩দা লন্দনগী হার্লি ষ্ট্রিটতা লৈবা নুপীগী হোস্পিটাল অমগী সুপরিন্টেন্দেন্ট ওইখি।

কুমজা ১৮৫৪দা ক্রিমিয়ন ৱার তৌবা হৌখি। মতমদুগী মিনিষ্টর ওফ ৱার ওইখিবা সিদনি হরবর্টনা নাইটিঙ্গলদা নর্সকী টিম অমবু লুচিংদুনা টর্কিদা লৈবা মিলিটরি হোস্পিটালশিংদা চৎনবা খঙহল্লকখি। চহী অসিমক্তদা মহাক্লা তাকপী তম্বীখিবা নর্স ৩৪গা লোয়ননা টর্কিগী স্কুটরিদা থুংখি।

মফম অদুদা ওইরম্লিবা ফিভম অদু উবদা নাইটিঙ্গল অঙকপা অমগা লোয়ননা নুংঙাইতবা পোকখি। চোকথরবা মেদিকেল ষ্টাফ মেম্বরশিংনা শোকপগী চৈনা খাঙলিবা লান্মীশিংবু লায়েংলম্মী। কয়া অমদি মরম চাদনা শিরম্মী। হীদাক লাংথক ৱাৎপা অমদি লূবা নানবা ৱাৎপনা মরম ওইরগা পাক্তক্না ইনফেক্সন থোকহল্লক্লম্মী।

নাইটিঙ্গল অমদি মহাক্কী টিমনা হাইজিনগী লমদা ফগৎনবা অমদি পেসেন্টশিংগীদমক চানবা থোংবা থাকপা অমদি ফিশু ফিজাম্বা য়াওনা মখোয়গীদমক চোকথবা লৈতনা হোৎনরম্মী। মহাক্লা কন্না হোৎনবদগী মী শিবগী চাং শরুক অহুম থোকপগী অনী হন্থরকখি।

কুমজা ১৮৬০দা নাইটিঙ্গলনা লন্দনদা নর্সশিংগী ট্রেনিং স্কুল অমা লিংখৎখি। মহাক্কী স্কুল অদুদা ট্রেন তৌখিবা নর্সশিংনা য়ুনাইটেদ কিংদম শীনবা থুংনা থবক তৌখি। নর্সশিং অদু সেনিটেসন, হাইজিন, হোস্পিটালগী মতীক চাবা প্লান্নিং অমদি হকশেলগী লমদা মখোয়না তম্লকখিবা কয়াবু চৎলিবা মফমশিং অদুদা শন্দোকখি।

নাইটিঙ্গলগী থবক অদুনা মরম ওইরগা মেদিকেল ক্যেরদা নুপীশিংগী অচৌবা থৌদাং অমা লৌবগী মায়ওন অমা লাকপা হৌখি। মহাক্লা চথরম্বা কাঙলোন কয়া ঙসিসু চথরি।

**১৯শুবা চহীচাদা লৈখিবা শীংথানবা য়াবশিং**

১৮০০: ব্রিটিষ্ট কেমিষ্ট অমসুং ইনভেন্টর হম্ফ্রি দেভিনা লাফিং গ্যেস হায়না খঙনবা নাইট্রস ওক্সাইদকী এনেসথেটিক প্রোপর্টিশিংবু শন্দোক্লা তাকখি।

১৮১৬: ফ্রেঞ্চ দোক্টর রেনে লিনেকনা ষ্টেথোস্কোপ পুথোকখি অমদি মসিবু চেষ্ট ইনফেক্সনশিংগী দাইগ্নোসিসতা শীজিন্নবা হৌখি।

১৮১৮: ব্রিটিস ওবষ্টেট্রিসিয়ন জেম্স ব্লন্দেলনা ইহান হানবা ওইনা হিমোরেজ নাবা পেসেন্ট অমদা ব্লদ ট্রান্সফ্যুজন (ঈ কাপ্পা) তৌখি।

১৮৪২: অমেরিকান ফার্মাসিষ্ট অমসুং সর্জন ক্রোফোর্দ লোংনা ইহান হানবা সর্জরি তৌনবগীদমক পেসেন্ট অমদা ইথর এনেস্থেসিয়া নাতোন্দা মনম নমহন্দুনা শীজিন্নবা হৌখি।

১৮৪৭: ইগ্নাজ সেম্মেলৱিস কৌবা হঙ্গরিয়ন দোক্টর অমনা খুৎ শাশেংনা হামদোকপনা অঙাং পোকপা মতমদা ইনফেক্সন থোকপগী চাং হন্থহল্লি হায়বা পুথোকখি।

১৮৪৯: ইলিজাবেথ ব্লেকৱেল কৌবা অমেরিকান নুপী অসিনা মালেমগী ইহান হানবা নুপী দোক্টর ওইখি অমদি য়ুনাইটেদ কিংদমগী মেদিকেল রেজিষ্টরদা য়াওবা ঙমখিবা ইহান হানবা নুপীসু ওইখি। মহাক্লা অনা লায়েংগী লমদা নুপীশিংগী এদ্যুকেসন প্রোমোট তৌখি।

১৮৬৭: জোসেফ লিষ্ট কৌবা এন্টিসেপ্টিক সর্জরিগী লময়ানবা অমসু ওইরিবা ব্রিটিস সর্জন অসিনা অশোকপা শেংদোকপা অমদি সর্জিকেল ইনষ্ট্রুমেন্টশিংবু ষ্টরিলাইজ তৌবদা হৌজিক্লা কার্বোলিক এসিদ হায়না খঙনরবা ফিনোল অসি মায় পাক্লা শীজিন্নখি, মসিদগী পোষ্টোওপরেটিব ইনফেক্সনশিং থোকপগী চাং হন্থহল্লকখি।

১৮৭৯: পাষ্টয়রনা ইহান হানবা ওইনা লেবোরেটরিদা শাবা ভেক্সিন পুথোকখি। মদু চিকন কোলেরাগী ভেক্সিন ওইখি।

১৮৮২: পাষ্টিয়রনা জোসেফ মৈষ্টর কৌবা চহী ৯ গী নুপামচা অমা পোষ্টএক্সপোজর ভেক্সিনেসন তৌদুনা রেবিসতগী কনবা ঙমখি।

১৮৯০: ইমিল ভোন বেহরিং কৌবা জর্মন ফিজিওলোজিষ্ট অমনা এন্টিটোক্সিন পুথোকখি অমদি মদুবু দিপথেরিয়া অমদি টিটানসকী ভেক্সিনশিং শাবদা শীজিন্নখি। তুংদা মহাক ফিজিওলোজি নৎত্রগা মেদিজিনগী ইহান হানবা নোবেল প্রাইজ ফংখি।

১৮৯৫: ৱিলহেল্ম কোনরাদ রোন্টজেন কৌবা জর্মন ফিজিসিষ্ট অমনা এক্স-রে দিসকোভর তৌখি।

১৮৯৭: জর্মন কম্পেনি বেয়র এ জিদা থবক তৌবা কেমিষ্টশিংনা ইহান হানবা ওইনা এস্পিরিন পুথোকখি।

# 'লৈঙাক্কী মহৈ লোয়শঙদা তম্লিবা মহৈরোয়শিংনা চঙবা মচাকশিং এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টকী ওফিসলশিংনা য়েংশিনবীয়ু'

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৯ (ঐচএন এস): লৈঙাক্কী মহৈ লোয়শঙ কয়াদা তম্লিবা মহৈরোয়শিংনা তঙাইফদনা চঙবা মচাকশিং অথুবদা এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টকী ওফিসলশিংনা য়েংশিনবীয়ু হায়না ওল মণিপুর ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (এমসু), ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিগী ঐচ আর দি সেক্রেটরি থোঙাম গৌরাদাসনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, এমসুনা লমদমসিগী লৈমায়দা কুমজা ১৯৬৫তা শাফোঙখ্রবা মতুংদা খুন্নাই অসিগী তুংলমচৎকী য়াইফনবা থবক থৌরম কয়া লেপ্পা লৈতনা পাঙথোক্তুনা লাক্লি। খুন্নাই অসিগী তুংগী য়ুম্বীরেল ওইরক্কদবা মহৈরোয়শিংনা মহৈ-মশিনদা মহৈগী মঙাল অদু ঙসিগী মালেমগী চাউখৎ লমজেলগী হিদান্নবদা শরুক য়াবা ঙম্নবা ফংহনবা ঙম্বা চঙই। খুন্নাই অসিগী মরু চঙবা য়ুম্বীরেল ওইবা ঙম্নবা লিশাং-শিৎনা মহৈরোয় লূপ অসিনা মতম-মতমগী লৈঙাকপশিং অমদি এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টকী মরী লৈনবশিংদা লেপ্তুনা তকশিন্দুনা লাক্লি। লৈঙাক্কী মখাদা লৈরিবা মহৈ লোয়শঙশিং য়েংশিনবগী শরুক অমা ওইনা এমসু ময়াই লোয়শঙগী মীৎয়েং মখাদা এমসু ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিগী ঐচ আর দি সেক্রেটরি টি ঐচ গৌরাদাসনা লুচিংবা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মহৈরোয় থৌমী তরুক্লা শাবা টিম অমনা কেম্পেয়ন ফোর টোটেল এদ্যুকেসনগী পান্দম মখাদা ইম্ফালদগী কিলোমিটর ৭ লোম চৎলগা লৈবা ইরিলবুং হায় স্কুলদা সর্ভে অমা চথখি। স্কুল অসি ক্লাস সিক্সতগী টেন ফাওবা মহৈরোয় ১৭০ হেন্না লৈবা স্কুল অমনি।

লাইবক থীবদি স্কুল অসিগী ইংলিস সবজেক্ট তাক্লবা ওজা অমত্তা লৈরমদে। লাইরিক তাকপদা শীজিন্ননবা বোর্দনচিংবা তঙাইফদনা চঙবা মচাক কয়া ৱাৎনা লৈবা থেংনরকখি। স্কুল ওথোরিটিগী মায়কৈদগী এদ্যুকেসনগা মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টশিংদা মতম শাংনা ৱাৎলিবা মচাকশিং তক্লদুনা লৈরমখি। লাইবক থীবদি ঙসি ফাওবা লৈঙাক অসিনা তঙাইফদনা ৱাৎলিবা ওজাশিং থাবীরক্ত্রি হায়না স্কুল অসিগী হেদ মাষ্টরনা ফোঙদোরক্লি।

খোঙচৎ অসিদা মহৈরোয়শিংনা নীংবা কায়না মহৈ তম্বা থেংনরকখি। স্কুল অসিদা কম্প্যুটর সিষ্টেম থমদুনা কম্প্যুটরগী ৱাখল লৌশিং পীবদি লাইরদনা ইলেক্ট্রিক্কী খুদোংচাবা লৈরমদবা থেংনরকখি। লৈঙাক্কী মহৈ লোয়শঙ অসিগী ওজাশিংনা থম্মোয়নুংদা পেন্দনা মহৈরোয়শিংবু লাইরিক তম্বীদুনা মতম শাংনা অৱাৎপা কয়া অসিবু কৈদৌঙৈ লৈঙাক্ল। পীরক্কনি খন্না খন্না মহৈরোয়শিং তম্বীহৌরি।

লৈঙাক অমদি এদ্যুকেসনগা মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টশিংদা হংনিংবদি ইম্ফালদগী ইরাপ লাপ্তুনা লৈবা লৈঙাক্কী মহৈ লোয়শঙ অসি ফাওবা তঙাইফদনা মহৈশঙ অমদা লৈগদবা মহৈরোয়শিংবু তাকপী তম্বীগদবা ওজা ফাওবা নীংথিনা লৈতবা, মেনশিনবা ঙমদনা মতম শাংনা লাক্লিবা অসিনা তাকপদি মণিপুরগী মনুং হঞ্জিনবা মফম কয়াদা লৈরিবা লৈঙাক্কী মহৈ লোয়শঙশিং করম্বা ফীভমদা লৈরমগনি হায়বা অচৌবা ৱাহং অমা থোরক্লি। মতম মতমগী পানখিবা লৈঙাকপশিংনা এদ্যুকেসন্দা পূক্লিং চঙবা অমদি হোৎনবা ৱাৎপনা ঙসি লৈঙাক্কী মহৈশঙ কয়া শিথরক্লিবা অসি ঙসিদি হীরম অসিদা মীয়ামগী অনৌবা ৱাহং ওইরক্ত্রে। লৈঙাক অসিনসু এদ্যুকেসন্দা অহোংবা পুরক্লবা স্কুল ফগৎহনসি মিসন পুথোক্তুনা এ সী খুদিংমক্তুগী লৈঙাক্কী মহৈশঙ অমমম অহানবগী ওইনা লৌখৎতুনা শেমগৎনবা হোৎনরি। থেংলবসু থেংনা লৈঙাক্লা পায়খৎলক্লিবা খোঙথাং অসি অফবা মায়ওন অমদা লাকপনি। লৈঙাক্কী মহৈ লোয়শঙ কয়াদা মহৈ তম্লিবা মহৈরোয়শিংনা মহৈগী মঙাল ফংনবা তঙাইফদনা চঙবা মচাকশিং অথুবদা এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টকী ওফিসলশিংনা কোয়না চৎতুনা য়েংশিনবীয়ু। খুদক্কী ওইনা লৌখৎপা য়াবা থবকশিং লৌখৎপীয়ু। লৈঙাক্কী মহৈ লোয়শঙশিংদা তম্লিবা মহৈরোয়শিংনা তঙাইফদনা চঙবা মচাকশিং অসি এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টনা অথুবদা য়েংশিনবীয়ু হায়নসু মখা তারি।

# কা-হেনবা লীচৎ চৎপা মীওইশিং অহকপা চৈরাক পীগদবনি : ৱিমেন ৱিং

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৯ (ঐচএন এস): কা-হেনবা লীচৎ চৎপা মীওইশিং অহকপা চৈরাক পীদবদগী মখা চথরক্লিবনি। লৈঙাক্লা অহকপা চৈরাক পীগদবনি হায়না এম এম দল্লিয়ু ওগী ৱিমেন ৱিংগী ৱাঙাংলোয় য়ুমখাইবম রোজিনা ফোঙদোকখ্রে।

এম এম দল্লিয়ু ওগী ওফিসতা পাউমীশিংগা উনবদা য়ুমখাইবম ওংবী রোজিনা হায়খি, বোধচন্দ্র কোলেজদা বি এ তম্লিবী য়াইরিপোক তুলিহলদগী ৱাশিমাবু ইরোং চেসাবা সলাম ইকোপ পাৎতা হাৎলগা হুন্দোক্লম্বগী মওং অসি থম্মোয় শোক্লা কন্দেম তৌই। অসিগুম্বা লীচৎ অসিদা চেন্নরিবশিং অথুবা মতমদা মীয়াম মমাঙদা পুথোক্তুনা চৈরাক পীগদবনি। তাবদা কিনিঙাই ওইবা নুপী ওইবীশিংগী মায়োক্তা চথরকপা ক্রাইমশিংদা চেন্নবশিং লৈঙাক্লা মতম চানা চৈরাক পীদবা অসিনা ৱাশিমাদা থোক্লিবা থৌদোক অসি থোক্লকপগী মরম ওইহল্লি। তমথীবা ক্রাইম তৌরিবা মীওইশিং অসি মতম চানা য়াদে হায়বা খঙহন্দবনা মরম ওইরগা থোক্লকপনি। নুপী ওইবীগী ঈকায় খুম্নবা তেমশিংনরগা পুন্সি পীখন্নহনখিবা থৌদোকশিংদা চেন্নরিবা মীওই কয়া চৈরাক পীফম থোকই। কুমজা ২০১৯গী নবেম্বরদা ঈকায় খুম্নবা মাঙহনবগী থৌদোক অমসু থোকপা লৈখ্রবনি। অসিগুম্বা ক্রাইম চথবশিং মীৎয়েং চঙগদবনি। জে এ সীনা চঙশিল্লকপা খোঙজংদা শরুক য়াগনি।

মহারাজ বোধচন্দ্র কোলেজদা বি এ ফর্ষ্ট ইয়র সেমিষ্টর তম্লিবী য়াইরিপোক তুলিহলদগী খুল্লাকপম ৱাশিমাবু ইরোং চেসাবা ইকোপ তাবা লম্বীগী মনাক্তা লৈবা কাংজৈবুংদা মীহাৎ থীনা হাৎতোক্লগা হুন্দোক্লম্বা মওং অসি য়াম্না থম্মোয় শোক্লিংঙাই ওই। অসিগুম্বা লীচৎ অসিদা চেন্নরিবা অসিদগী হেন্না তমথীবা মীওইবা খুন্নাই অসিগী মরক্তা লৈরম্লোই। অসিগুম্বা কা হেনবা লীচৎ অসিদা চেন্নরিবশিং অসি লৈঙাক্লা মতম চানা পীফম থোকপা চৈরাক পীগদবনি। নুপী ওইবীশিংগী ঈকায় খুম্নবগী মায়োক্তা চথবা ক্রাইমশিংগী মতাংদা লৈঙাক্লা চপ চাবা মীৎয়েং চঙফম থোকই। অসিগুম্বা থৌদোক অসি মখা তানা থোক্তনবা লৈঙাক্লা য়েংশিনফম থোকই হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

# পিশুম নিঙোম লৈরক কম্যুনিটি হোলদা মাও কৈথেল ফমগনি : কম্মিটি

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৯ (ঐচ এন এস): মাও-ইম্ফাল মার্কেট কোওর্দিনেসন কম্মিটি অমদি য়াইফ লমজিং লূপ, পিশুমথোং নিঙোম লৈরক অনীনা পুন্না খুৎশম্নদুনা শীল্লগা জন্যুৱারী ৩১ দা পিশুমথোং নিঙোম লৈরক কম্যুনিটি হোলদা মাও কৈথেল ফমগনি হায়না মাও-ইম্ফাল মার্কেট কোওর্দিনেসন কম্মিটিগী কনভিনর খুরাইজম অথৌবনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, কুমজা ২০১৫দা মাও মীয়াম্বু নাগালেন্দদা পোৎচৈ য়োনবদা সাউদর্ন অঙ্গামিনা অথিংবা পীবদা নত্তনা চৎথোক-চৎশিন্দা অয়েৎ অপন পীরকপদগী মাও মীয়ামগী মনা-মশিং য়োনফম লৈরক্তদুনা হিংনবগী লানফমদা অচৌবা পোৎলুম অমা পুরকপদগী ইপসা, পান্দম, অকোম লূপ, ইপাক, কংলামৈ, কিল, সী এল কে অমসুং কে এস এনচিংবা সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিংনা মাও মীয়ামগীদমক লেপ্পগা লোয়ননা ঐখোয় অমত্তনি হায়বা মীৎয়েং অমদি ইমোসনল ইন্টিগ্রিটি অমগা লোয়ননা ইকনমিক ইন্টিগ্রিটি শাগৎমিন্নদুনা ইকনমিক ইন্টরদিপেন্দেন্সিগী মরী অমা শেমগৎমিন্ননবগী ৱাখল্লোন অমদা মাওগী লৈহাওদা পুথোকপা পোৎলমশিং ইম্ফালদা য়োনবা হৌরকখি।

মাওগী পোথোকশিং ইম্ফালদা পুরকহন্দুনা য়োনবগী থবক হৌরকখিবগা লোয়ননা লমদম অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লৈরিবা ক্লব, ওর্গনাইজেসনশিংগা খুৎশম্নদুনা মাও কৈথেল চয়োল অমদা অমুরক নৎত্রগা অনীরক হাংদোক্তুনা লাকপগী শরুক অমা ওইনা পিশুমথোং নিঙোম লৈরক কম্যুনিটি হোলদা মাও কৈথেল হাংগদৌরিবনি। মাও কৈথেল হাংগদৌরিবা অসিদা ইরৈচাশিংনা লাক্তুনা মাওগী মীয়াম্বু তরাম্না ওকপগা লোয়ননা পোথোকশিং অসি লৈবীয়ু। অপুনবগী শক্তম অমা শাগৎপদা মতেং পাংবীয়ু হায়না মাও-ইম্ফাল মার্কেট কোওর্দিনেসন কম্মিটিগী মায়কৈদগী আপিল তৌজরি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

# ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৯ (ঐচ এন এস): ফেগোক্টানা লাউথোকখিবা খোঙজং শৌগৎলদুনা ঙসি গভর্ণমেন্ট কোলেজশিংগী ওজাশিংনা ইম্ফাল কোলেজদা ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে।

তরেৎশুবা য়ু জি সী পে এন্দ রেগ্যুলেসন ২০১৮ চৎনহল্লু হায়বা দিমান্দ তৌরদুনা চথুখিবা ৱাকৎ মীফম অদুদা কোলেজ ওজাশিংনসু মপুং ফানা শরুক য়াখি। গভর্ণমেন্টনা কয়ারক হন্না থাজবা পীরবসু থবক্তা ওন্থোরক্তবা অসিনা গভর্ণমেন্ট কোলেজশিংদা মহৈ-মশিন তম্বীবগী থবক তৌরিবা ওজাশিংদা ৱাখল শোন্থহল্লে।

ফেগোক্টানা তরেৎশুবা য়ু জি সী পে এন্দ রেগ্যুলেসন ২০১৮ ইমপ্লিমেন্ট তৌগদবনি হায়না দিমান্দ তৌরিবা অসি খোঙজং মখা চথুখিগনি। লাক্লিবা জন্যুৱারী ৩০দসু মণিপুরদা লৈবা তোঙান তোঙানবা কোলেজ শিংগা পুল্লগা মণিপুর কোলেজ দা ৱাকৎ মীফম ফমগনি হায়না ফেদরেসন ওফ গভর্ণমেন্ট কোলেজ টিচরস এসোসিএসন (ফেগোক্টা)গী জেনরেল সেক্রেটরিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

ADMISSION OPEN

"LULLABY"

A Child Care Cum Pre-School

Nagamapal RIMS Road Corner, Near Traffic Point

- A co-educational school for Playgroup, Pre-Nursery, Nursery and KG.
- 1 year scholarship to those aspiring students who stood 1st, 2nd and 3rd position in their respective classes.
- Total Child Care
- Nutritious Food
- Child Psycological Development
- Well Equipped Playing Facilities
- Accurate Teacher and Child Ratio
- Session starting from 6th February, 2020.

Kinder pool and twinkle kids system of education

Monthly Tution Fees are free for this academic year as an introductory offer.

6009103078

HL-P/6002/30/1-28/2

# ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ৩০।০১।২০২০ ইং, শগোলশেল ; নুংথিল পুং ১.২০ ফাওবা ফাইরেলগী ৫ নি পানগনি, মতুং ৬ নি পাল্লনি।

**মেষ :** পল্লম্বা থবক পাংবা য়াবা অমদি শেলসু ফংবা য়াবা নুমিৎনি। লৌশিং চাউই অদুনা খজিক খন্থরগা পাংবা থৌ খুদিংদা কনানসু লাকচবা ঙমলোই, পাউসু নুংঙাই।
লৈশা পাখংশিংগী - থেংনা নুংঙাইবা ফংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

**বৃষ :** শেল অমদি লৈফমগী লম্দা পূক্লিং পেঞ্জবা লৈগনি। লল্লোনবদা চাওনা শেন্দোং ফংগনি অমদি মীচং লৈগনি। অদুবু মৈ অমদি হুরানবনা তাথীবা লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংবা মপা চাগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

**মিথুন :** লেংদবা লন চাওখৎপা য়াবা অমদি অনীংবা অফবা থবক পাংবদা মায় পাকচগদবা লৈ। নক্লবনদি ৱারৌবা অমদি মীকোক থোংবা ৱাবা লৈরসু শেলদি ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - লাইবক ফগনি ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

**কর্কট :** খাংবা কনবা, ৱাঙাঙ হৈবা অমদি অশাওবা ফাথবনা লম অয়াম্বদা মায় পাক্লবগী মরম ওইগনি। খোঙফম অমা/অনী হন্থনা চৎপনা তুংদা অশিঙবা তাগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - ঙাইঙমদবা তৌগনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/য়াইঙং।

**সিংহ :** লম চৎপা কান্নগনি, অরাপ্পা মীগী মতেং ফংগনি । লৌশিং চাওবনা মায় পাক্লবা অমদি নুংঙাইনবা হোৎনবদা মীনা মাঙহনবা ঙমলোই - ঈরাংদি পুগনু।
লৈশা পাখংশিংগী - ৱারৌনবা লৈগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

**কন্যা :** লাইবক ফগনি, নীংবা থুংগনি, অনৌবা অশা লাক্কনি অমদি শেল-থুমগী লম্দা হেন্না কান্নগনি। শিখাং খাংবদি তৌগনু-খরা হন্দোকউ নত্রবদি অচানবা কাইননি।
লৈশা পাখংশিংগী - লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

**তুলা :** নীংবা মপা চাগনি, থবক মায় পাক্কনি অমদি শেন্দোং তানবা থবক্তা মীনা য়াগনি। ৱানোম থৌনোম কান্নগনি। য়েৎনবা অমদি ফিংবনদি চাওনা মাঙজগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবনা চানগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

**বৃশ্চিক :** নঙগী ওইবা মী অমদি মরুপ মপাংগী মতেং য়াম্না লৈবা নুমিৎনি। য়েৎনবদা কনানসু লাকচবা ঙমলোই, অহেনবা লৌশিং লৈবনা লন চাওখৎহনবা ঙমগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - পূক্লিং ফাথনা চৎলু।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

**ধনু :** মীৱা থাজগনু অমদি ৱানোম থৌনোম্বা য়াদবা নুমিৎনি। অঙম্বনা নরলদা মীতাবা লৈ। অদুবু মীয়াম্নদি য়াই অমদি শেল-থুম ফংগদবসু লৈরে। খুৎচাও থাগনু।
লৈশা পাখংশিংগী - ৱাখল নুংঙাইগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

**মকর :** ওইজবা ফংবা, ইমুং-মনুং ৱাখল মান্নবা লৈরগসু অমদি অফবা মফম ফংবা লৈরসু য়েক্লবা চাওখৎপা অমদি কোক শাবা লৈখিনি। ৱাঙাঙ শোইরদি লন মাঙগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা ।

**কুম্বা :** নঙগী ওইবা মী লোয়নৌ অমদি থৌনা ফুদোক্লা থৌ পাংউ-শুংশোই শোইদনা মায় পাক্কনি। মীংচৎসু ফংগনি, অরং অরাক লৌশিনবা য়াগনি। য়েৎনবদি য়াদে।
লৈশা পাখংশিংগী - খাংবা কল্লু।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

**মিন :** মীচং হেনগৎলে, লল্লোন ইতিক্তা মাঙজিল থাগনি অমদি অনৌবা থবক পাংবা মায় পাক্কনি। অদুবু খন্থদ্রদি পূক্লিং ইপেন পেল্লোই অমদি কাইনবদুম নংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - হরাওবা ফংজৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/য়াইঙং।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।